**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১ ) মণিপুরদা ঙসি মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎকী পালন থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

২) ইম্ফালগী সহিদ মিনারদা পাঙথোকপা থৌরমদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা থৌনা ফরবা ইপা ইপুশিংগী খুদুং ইনদুনা হৌরক্লিবা নহাশিংনা নুংশি চান্নবা অমদি চাওখৎপা মণিপুর অমা শেমগৎপদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবা হায়রি।

৩) লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকপগুম রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন পাঙথোকখি।

৪) জাতি অসিনা লৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন অমদি হৱাউ তয়ান্বগা লোয়ননা থা অসিগী ১৫ দা ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকবা শেম শারে।

অমসুং

৫) ভারত অমসুং সিঙ্গাপুরগী মন্ত্রিশিংগী অহুমসুবা মীফম ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

------

ডে (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎকী পালন থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লি।

ইম্ফালগী বি.টি. পার্কতা লৈবা সহিদ মিনরদা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎলবা তুংদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়- অথৌবশিংনা বৃটিশকী মখুৎতা মায়থিরগনি খঙলবা ফাওবদা হনবা লৈতবা থৌনাগা লোয়ননা লান্থেংনখি। মখোয়গী অসিগুম্বা কৎথোকপা অসিনা ঙসিগী মণিপুর অসি শেম্লকখিবনি। মহাকা হায়- থৌনা ফরবা ইপা ইপুশিং অদুগী খুদুং ইনদুনা হৌরক্লিবা নহাশিংনা অমত্তা ওইবা, নুংশি চান্নবা অমদি চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহন্নবা থৌদাং লৌমিন্নশি। নহাশিংনা তুংগী মৈরা ওইদুনা ঐখোয়গী ইরমদম ঙাক শেনগদবনি।

রাজ্যপালনা হায়- মণিপুর অপিকপা লমদম অমা ওইরবসু লৈবাক অসিগী ওইনা শান্ন-খোৎনবা অমদি কলা সংস্কৃতিদা অচৌবা মফম অমা কল্লিবনি। মরম অদুনা নহাশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা তংদু লৈতাবা লমদম অমগীদমক লেপ্লি হায়বদু মালেমদা খঙহনশি। মণিপুরদা খুন্দারিবা  তোঙান তোঙানবা কাংলুপনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা ঐখোয়গী পাঙ্গল শক্তি হেনগৎহন্নবসু রাজ্যপালনা হায়রি।

রাজ্যপালনা লুচিংদুনা সহিদ মিনর মনাক্তা লৈবা ইং ১৮৯১ গী এঙ্গলো মনিপুরি লানদা লোই থাখ্রবা লুচিংবশিংগী নীংশিং খুভমদসু লৈ কৎখি। মদুগী মমাংদা, রাজ্যপালনা কংলাদা লৈবা কংলা উত্রা মমাংদসু লৈ কৎখি।

থৌরম অদুদা নসা মুক্ত ভারত কেম্পেন, মণিপুরগী ৱাশকসু লৌখি।

অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎতা, ঙসি অয়ুক ইম্ফালগী মোইরাংখোমদা লৈবা হিচম য়াইচমপাৎতা বির টিকেন্দ্রজিৎকী সমাধি অমসুং ইম্ফালগী  পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা থঙ্গাল জেনরেলগী মন্দিরদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লানা লুচিংদুনাঅথৌবশিংগী অসিগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনসু অথৌবশিংগী নুমিৎকী পালন থৌরম ইম্ফালগী বি.টি. রোর্ডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা কংগ্রেস কর্মিশিংনা বির টিকেন্দ্রজিৎকী মীতম অমসুং থঙ্গাল জেনরেলগী ফোটোদা লৈ কৎখি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু ঙসি মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

থৌবালদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, থৌবালনা শিনদুনা দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হনা কামৈনা লুচিংদুনা বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনরেলগী মফমদা লৈ কৎখি।

ককচিং জিলাগী মফম কয়াদসু মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎ পালন পাক শন্না পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা শিনদুনা দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌরমদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা লুচিংদুনা বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনরেলগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

নোনে জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, নোনেনা শিন্দুনা মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎ দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা লৈবা লোংমাই কম্মনদা পাঙথোকখি। দিপ্যুতি কম্মিসনার শরথ চন্দ্র অরোজ্না লুচিংদুনা বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনেরেলগী ফোটোদা লৈ কৎখি।

জিরিবাম জিলাদসু ১৩৪ শুবা মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎকী পালন থৌরম পেট্রিওষ্ট ডে ওর্গনাইজিং কমিতি জিরিবামনা শিন্দুনা জিলা অসিগী নিংশিং খুল বাইওডাইভর্সিতি পার্কতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণ কুমার, পুলিস অমদি সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমদি মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

চান্দেল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্টেসন, চান্দেলনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি জিলা অসিগী দি.সি কমপ্লেক্স মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনার লাইশ্রম নন্দকুমারনা লুচিংদুনা বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনেরেলগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কামজোংনসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ইম্ফালগী সেকেন্দ এম.আর কমপ্লেক্সতা লৈবা দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কেম্প ওফিসতা পাঙথোকখি।

মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎকী পালন থৌরম মনিপুরিশিংনা খুন্দাবা লৈবাক অসিগী অমদি মপাল লমদসু পাক শন্না পাঙথোকখি। ৱেষ্ট ত্রিপুরাগী বেরিমুরাদা লৈবা বমুতিয়া ক্লষ্টর হোলদা ত্রিপুরা মণিপুরী ষ্টুদেন্ট য়ুথ কোওর্দিনেসন কমিতি অমসুং য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট মণিপুরনা শিন্দুনা পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মীয়ামা বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনেরেলগী মফমদা লৈ কৎখি।

পালন থৌরম অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী মনুং চন্না লৈবা কেন্দ্রশিংদসু লন্নাই সংস্থান য়াওনা ক্লব অমসুং লুপ কয়ানা শিন্দুনা পাঙথোকখি।

ঈ (এল)ঃ মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা ঙসি প্রাইম ক্লব, থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইনা শিন্দুনা ইম্ফালগী লাঙ্গোলদা লৈবা শিজ হোস্পিতালদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। মদুদা মীওই ৬০ রোমা ঈ দান তৌখি।

তিরঙ্গ (এল)ঃ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকপগুম রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না নোনেনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং লোংমাই নেচর ক্লবকা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা বাইক রেল্লি অমসু লমথাখি। লোংমাই ব্রিজ পোইন্টতগী লমথাখিবা রেল্লি অদু ১৯ শুবা অসাম রাইফলসকী গেটতা থুংখি।

চান্দেল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা হর ঘর তিরঙ্গগী বাইক রেল্লি অমা ঙসি পাঙথোকখি। ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন অমদি জাতিগী ফিরালবু ইকায় খুমবা উৎপা হায়বা থিমদা বাইক রেল্লি অদু জিলা অসিগী মরুওইবা মফমশিং ফাওদুনা চৎখি। জিলা অসিগী কোল্লাথাবীদা লৈবা সাউথ ইষ্ট মণিপুর কলেজগী আই.কিউ.এ.সি, এন.এস.এস অমদি এন.সি.সিনা পুন্না শিন্দুনা হর ঘর তিরঙ্গগী রেল্লি অমসু পাঙথোকখি।

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন (সি.বি.সি) রিজনেল ওফিস ইম্ফালনসু মীয়ামা মখোয় মখোয়গী ময়ুমদা জাতিগী ফিরাল পাইহনববু পুকিং থৌগৎপা ওইনা ঙসি হর ঘর তিরঙ্গগী অখন্নবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। লৈবাক শিনবা থুংবদা মরৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন হেনগৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি.বি.সি অমসুং পি.আই.বি ইম্ফালগী দাইরেক্তর ডাঃ ইঙম পামে অমসুং সি.বি.সি অমদি পি.আই.বিগী ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী পামেনা হর ঘর তিরঙ্গ খোঙজংগী মরুওইবদু শুগাইনা পনখি। মণিপুরগী মরৈবাক নীংবগী ইতিহাস নৌহৌনা নিংশিংবগা লোয়ননা মহাকা লমদম অসিগী অথৌবশিংগী কৎথোকপা অদুবু ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা য়াওখিবশিংদা জাতিগী ফিরালসু য়েন্থোকখি।

রিহারসেল (এল)ঃ লাক্কদৌরিবা ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা নোনে জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা ঙসি ফুলড্রেস রিহারসেল পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরগী লোমাং কম্মন গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা পুলিস, মহৈরোই, আশা ৱাকর্স, সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী পুন্না কন্টিঞ্জেন্ট ২৪ না শরুক য়াখি।

দেদ (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তেকচম মনিং লৈকাই ফাওদুনা চেনবা হৈনিংশোই তুরেল হায়না খঙনবা খোং মনাক্তা লৌ শুবা চৎখিবা মীওই অনি ঈশিংদা তাশিনবদগী শিনা ফংলে। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়- খোংজোম পুলিসনা হকচাংশিং অদু লৌখৎখ্রে।

অভিয়ান (এল)ঃ এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম সম্পুরনাতা অভিয়ান ২০২৪ গী মখাদা জলাই থাদগী সেপ্তেম্বর ফাওবা চথখিবা কেম্পেনদা এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্ট অমদি ব্লোক্তা পুকিং চংনা মথৌ তৌখিবা চান্দেল জিলাগী

তোঙান তোঙানবা বিভাগশিং ইকায় খুমবা উৎপা অমদি মনা লান্থোকপগী থৌরম ঙসি জিলা অসিগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা মিনি সেক্রেটরিয়েটকী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার লাইশ্রম নন্দকুমার, এস.পি. ধরমেন্দ্র কুমার, এ.দি.সি- এম.দি. ফিরোজ খান, ৮ শুবা মণিপুর রাইফলসকী দিপ্যুতি কম্মান্দেন্ট দব্লিউ. জাদুমনি য়াওনা সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

চান্দেল (এল)ঃ নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেত চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেল অমদি চান্দেল খৃষ্টান ভিলেজগী য়ুথ ক্লবনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি জিলা অসিগী খৃষ্টান ভিলেজদা লম-তু শেংবা অমসুং উ চারা থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ত্রেনিং (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাদা থা অহুম চুপা চত্থরকখিবা ফি তুবা তম্বগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা লোইশিনখ্রে। মিসন শক্তি সধন প্রোজেক্টকী মখাদা ইন্সটিট্যুট ফোর কম্ম্যুনিতি এক্সন এন্দ রিছোর্স দিভলপমেন্টনা শিন্দুনা চত্থখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু নুপীশিংবু মশা মরোমদোম লেপ্পা ঙমজনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

আইদি ঃ জাতি অসিনা লৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন অমদি হৱাউ তয়াম্বগা লোয়ননা থা অসিগী ১৫ দা ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোক বা শেম শারে। পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মীয়ামা হর ঘর তিরঙ্গগী খোঙজংদসু হৈনিংনা শরুক য়ারি।

খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা কেন্দ্র গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি মহাক্কী য়ুমদা জাতিগী ফিরাল চিংখৎখি। দিল্লিগী মন্ত্রি অসিস সুথ অমসুং বি.জে.পিগী এম.পি কমলজিৎ সেরাৱটনা লুচিংদুনা দিল্লিগী সাউথ ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা তিরঙ্গা যাত্রা পাঙথোকখি। মদুদা মীওই লিশিং ৮ হেনবনা শরুক য়াখি।

নিংতম নুমিৎ পালন থৌরম অশোই অঙাম য়াওদনা পাঙথোকপা ঙমবগীদমক দিল্লি পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। পেরা মিলিটরি ফোর্সকী য়াওনা সেক্যুরিতি পার্সোনেল লিশিং কয়া আইন অমদি শান্তি ঙাকবগীদমক শিজিন্নরি।

নীংতম নুমিৎকী পালন থৌরমদা মীয়ামা শরুক য়াবা ঙমবগীদমক অয়ুক পুং ৪ দগী দিল্লি মেত্রোনা মসিগী সার্ভিসশিং লাইন খুদিংমক্তা হৌগনি।

ওগষ্ট ১৫ দা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা দিল্লিগী ঐতিহাসিক ওইরবা লাল কিলাদা নীংতম নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোক্কনি। মফমদুদা মহাকা জাতিগী ফিরাল পাইহনবগা লোয়ননা লাল কিলাগী ফম্বাক্তগী জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি। নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নীংতম নুমিৎকী পালন থৌরম অসিদা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ২৮ দগী পঞ্চায়টকী লুচিংবা ২১০ অখন্নবা আতিথি ওইনা শরুক য়াগনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী অখন্নবা আতিথিশিংগী মনুংদা পঞ্চায়টকী লুচিংবা নুপী কয়াসু য়াওরি। মখোয়না মখোয় মখোয়গী গ্রাম পঞ্চায়টশিংদা ইনফ্রা ষ্ট্রকচর শেমগৎপা, মীয়ামগী থবক থৌরমশিং নিংথিনা পাঙথোকপনচিংবা থবক কয়া পাঙথোকখি।

পঞ্চায়াতি রাজ মন্ত্রালয়না হয়েং নিউ দিল্লিদা অখন্নবা আতিথিশিং অসিবু তরামা ওক্কনি। কুমশি চহিগী থৌরম অসিগী মপুং ওইবা ৱাখল্লোনদি ভারতপু চাওখৎহনবদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরিবা মরোমদোম লেপচবা ঙস্বা পঞ্চায়ট- আত্মা নিরভর পঞ্চায়ট, বিক্সিত ভারতকী পহেচান হায়বসিনি।

জয়শঙ্কর ঃ ভারত অমসুং সিঙ্গাপুরগী মন্ত্রিশিংগী অহুমসুবা মীফম ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। ভারতকী মাইকৈদা মীফম অদুদা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন, মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর, কমর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়ল অমদি রেলৱেজ অমসুং ইনফোর্মেসন এন্স ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনচিংবনা লুচিংখি। সিঙ্গাপুরগী মীহুৎ কাংবু অদু লৈবাক অদুগী

উপ-প্রধান মন্ত্রি অমসুং লল্লোন ঈতিক অমদি উদ্যোগ মন্ত্রি গান কিম য়ংনা লুচিংখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা ডাঃ জয়শঙ্করনা মখোয়বু ভারত অমসুং সিঙ্গাপুরগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা হোৎনখিবগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- ভারত অমসুং সিঙ্গাপুরগী মন্ত্রিশিংগী মীফম অদু মহয় য়ানখি। মদুদা ভারত অমসুং সিঙ্গাপুরগী করৱারৱালাশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

নাকল অনিমকা আই.এস.এম.আরগী মখাদা খন্দোক্লবা মরুওইবা ৱাফম ৬ কী মতাংদা কুপা খন্নখি। মদুগী মনুংদা দিজিতেলাইজেসন, স্কিল দিভলপমেন্ট, সেষ্টেনিবিলিতি, হকশেল অমসুং হিদাক লাংথক, এদভান্স মেন্যুফেকচরিং অমসুং কন্নেক্তিভিতি য়াওরি। মন্ত্রিশিংগী মীফম অদু ভারত অমসুং সিঙ্গাপুরনা তেংবাং পীননবগী অনৌবা এজেন্দা অমা শেমবগীদমক তোমথিল ওইবা থৌরাং অমনি।

গার্দেন ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হয়েং রাষ্ট্রপতি ভবনদা অমৃট উদ্যানগী সম্মর এনিৱেলস হাংদোক্কনি। মসি থাংজ নুমিৎতগী মীয়ামা অয়ুক পুং ১০ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবদা য়েংবা য়াগনি হায়রি।

মথং থাগী ১৪ ফাওবা হাংদোক্কদবা অসিদা থা অসিগী ২৯ জাতিগী শান্ন-খোৎনবগী নুমিৎ অমসুং ওজাগী নুমিৎ সেপ্তেম্বর মঙাদদি অখন্ননা শান্নরোইশিং অমদি ওজাশিং চংহনগনি। লৈকোল অসিগী মনুংদা বাল ভাতিকা, হারবেল গার্দেন, বোন সাই গার্দেন, সেন্ত্রেল লোং গার্দেন অমদি সার্কুলর গার্দেন্নচিংবা লৈরি। অমৃট উদ্যান অসিদা চংবদা পৈশা লৌরোই হায়রি।

প্লান্নিং ঃ নেটৱার্ক প্লান্নিং গ্রুপকী ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ৯৮ শুবা মীফমদা রেলৱেজ, লম্বী থোং, লোজিষ্টিক্স অমসুং টেক্সটাইলসনচিংবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট ৭ কী মতাংদা খন্নখ্রে।

কন্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রালয়গী চেরোল অমদা হায়- মসি লোজিষ্টিক্স ইফিসিয়েন্সি হেনগৎহন্নবা অমদি সমাজিক অমসুং শেল থুমগী কান্নবা হেন্না ফংহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎলিবা পি.এম. গতি শক্তি মখাদা চথখিবনি। রেল মন্ত্রালয়না ছত্তিসগর, মহারাষ্ট্র, বিহার অমসুং তামিলনাদুগী রেলৱে লাইনশিংগী থৌরাং অমসু পুখৎখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ ৬৪ শুবা সুব্রোটো কপ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১৯ দগী সেপ্তেম্বর ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ১০৬ না শরুক য়াগনি। মসিদা মপান লৈবাক্কী টিম মরিসু শরুক য়াওগনি।

তুরনামেন্ট অসিদা শান্নরোইশিংনা জ্নিয়র বোইজ অন্দর সভেন্তিন, জ্নিয়র গার্লস অন্দর সভেন্তিন অমসুং সবজ্নিয়র বোইজ অন্দর ফিফতিন হায়রিবা কেটাগোরি অহুমসিদা অথোই অহেন তান্নগনি। এয়ার ফোর্স স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দকী মীৎয়েং মখাদা সুব্রোটো মুখর্জি স্পোর্টস ইজ্কেসন সোসাইতিনা শিনবা তুরনামেন্ট অসি দিল্লি এন.সি.আর অমদি বেঙ্গলুরুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মথং থাগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

ফুটবোলঃ সব-জ্নিয়র বোইস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৫-২৬ শরুক য়ানবগীদমক কোচিং কম ত্রাইয়েল পাঙথোকবা শান্নরোই ৫৭ খনগৎলে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী অধার অমসুং দেট ওফ বার্ত সার্তিফিকেটকা লোয়ননা থা অসিগী ১৭কী অয়ুক পুং ৭ মখায়দা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

গেমস ঃ চাইনাগী চেংদুদা চখুরিবা ৱার্ল্ড গেমস ২০২৫ দা ভারতকী নমরতা বত্রানা ৱুসু মশান্নগী কিলোগ্রাম ৫২ গী কাংলুপ্তা লুপা তকমান অমা ফংলে। মশাগী চহি ২৪ রোম শুরবী বত্রা হৌখিবা চহিদা এসিয়ান চেম্পিয়নসিপতসু লুপাগী তকমান লৌবা ঙমখি।

গেমস অসিদা ভারতনা সনাগী ১, লুপাগী ২ অমসুং শেঙ্গেংগী তকমান ৪ লৌদুনা পুন্না তকমান ৭ ফংবা ঙমলে।

------